# নোর্থ কোরিয়াগী আই সী বি এম প্লান্টতা মিসাইলগা মরী লৈননা গাড়ি চৎথোক-চৎশিন তৌব উরে



ৱাশিংটন, মর্চ০৭(এজেন্সি):

নোর্থ কোরিয়াগী ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল প্লান্টতা অনৌবা এক্তিভিটিশিং দিটেক্ট তৌরে হায়না সাউথ কোরিয়ন মিদিয়ানা শগোলশেল নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। চৈরকসিদা, করিগুম্বা প্যোংয়াংনা রোকেট সাইট অমা নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা ওইরবদি য়াম্না নীংবা কায়নিঙাই খোঙথাং অমা ওইগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা হায়খ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস য়ৌবা ঙম্বা নোর্থ কোরিয়াগী অহানবা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইলস (আই সী বি এমস) পুথোকখিবা প্যোংয়াংগী সানুমদোংদা লৈবা ফেক্তরি অমগী অকোয়বদা হন্দক্তা কার্গো ভেহিকলশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা থেংনখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী জংঅং ইলবো অমসুং দোঙা ইলবো পাউচেশিংনা লোমেকরশিং পল্লদুনা ফোঙদোক্লি। লোমেকরশিং অদু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা নেসনল ইন্টলিজেন্স সর্ভিসনা ব্রীফ তৌখিবনি।

জুঙ-অঙ ইলবোগী মতুং ইন্না স্পাই চীফ সু হুননা লোমেকরশিং অদুদা এক্তিভিটিশিং অদু মিসাইলগা মরী লৈনৈ হায়না মহাক্না লৌই হায়না ফোঙদোকখি। রিপোর্ট অদুনা সুগী ৱারোল পল্লদুনা হায় হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা সিঙ্গাপোরদা ট্রম্প অমসুং নোর্থ কোরিয়ন লিদর কিম জোং উনগী মরক্তা অহানবা সম্মিট পাঙথোকখিবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অদুগী মরু ওইবা বোংবিওন ন্যুক্লিয়র কমপ্লেক্সতা মখা তানা য়ুরোনিয়ম ইনরিচমেন্ট ফেসিলিটি থবক তৌহনখি।

হৌখিবা চয়োল ভিয়েটনামগী কেপিটেল হানোইদা পাঙথোকখিবা লুচিংবা অনীগী অনীশুবা সম্মিট অদু নোর্থ কোরিয়ানা কদায় ফাওবগী চাংদা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামদা পনখৈ অমা থম্নবা শেম শারবগে অমসুং য়ু এসকী মায়কৈদগী অথিংবশিং কদায় ফাওবা কোমথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকপা ঙমদবদগী মপুং ফাদনা লোইশিনখিবনি।

সানুমদোং ফেক্তরিনা কিলোমিটর ১৩,০০০ (মাইল ৮,০৮০) হেন্না পাইবা ঙম্বা হৱাসোং - ১৫ আই সী বি এম পুথোকখি। হৌখিবা চহীদা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শাননবা হোৎনদ্রিঙৈগী মমাং নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০১৭ কী অথেংবা শরুক্তা মিসাইল অদুগী টেষ্ট ফ্লাইট লোইরবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিগী 'ষ্টেট ন্যুক্লিয়র ফোর্স' মফুং ফারে হায়না লাওথোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী এক্তিভিটিশিং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা খুৎশম্না কুপ্না মোনিটর তৌরি হারদুনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্সল ওফিস অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা সানুমদোংগা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং অদু কনফর্ম তৌ হায়বা য়াখিদে।

সিঙ্গাপোরগী সম্মিটতা কিমনা ট্রম্পতা থুপচিল্লগনি হায়না থাজবা পীখিবা নোর্থকী সোহে রোকেট লোঞ্চ সাইটকী শরুক খরা শেমজিনবগী থবক চথরি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এসকী থিঙ্ক টেঙ্ক অনী অমসুং সিওলগী স্পাই এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা মশাগী ৱাশক থুগায়রিবরা হায়না হংবদা ট্রম্পনা ওভেল ওফিসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মদু ওইবা তারবদি মঙোন্দা য়াম্না নীংবা কায়নিঙাই ওইগনি হায়খি।

# বোম থাদখিবা মফমদা বিল্ডিংশিং লৈরি হায়বা সেটলাইট ইমেজশিংনা উৎখ্রে



সিঙ্গাপোর, মর্চ০৭(এজেন্সি):

অৱাং নোংপোক পাকিস্টানদা লৈবা ইস্লামিষ্ট গ্রুপ জাইশ-ঈ-মোহম্মদ (জে ঈ এম) ট্রেনিং কেম্প অমদা টার্গেট তৌদুনা ইন্দিয়াগী ৱারেপ্লেনশিংনা বোম থাদদুনা এটেক তৌখ্রে অমসুং মিলিটেন্ট মশিং য়াম্না হাৎখ্রে হায়না ইন্দিয়ানা ক্লেম তৌখিবা নুমিৎ খরনিগী তুংদা মফমদুমক্তা গ্রুপ অদুনা চলাইবা লাইনিং-লাইশোলগী স্কুল অমা তেক্তা-কায়দনা লৈরি হায়বগী সটলাইটকী হাই দিফিনিসন ইমেজশিংনা উৎলে হায়রি।

সান ফ্রন্সিস্কোদা লৈবা প্রাইভেট সেটলাইট ওপরেটর প্লানেট লেব ইঙ্কনা পুথোরকখিবা ইমেজশিং অদুদা এয়রষ্ট্রাইক চথখিবা মতুং নুমিৎ তরুক্নি লৈরগা মার্চ ৬ তা মাদ্রাসাগী মফম অদুদা য়ামদ্রবদা বিল্ডিং তরুক লৈবগী শক্ত উবা ফংখি। মসিগী মমাঙদা সেটলাইটকী হাই রিজোল্যুসন ইমেজশিং মীয়াম্না উবা ফংনখিদে। তৌইগুম্বসুং সেন্টিমিটর ৭২ (ইঞ্চি ২৮) ফাওবগী অকুপ্পশিং উৎলিবা প্লানেট লেবসকী ইমেজশিং অদুনা ইন্দিয়ন গভর্নমেন্টনা এটেক তৌখি হায়রিবা ষ্ট্রক্টচরশিং অদুবু হেন্না ময়েক শেংনা উহল্লি। ইমেজ অদু কুমজা ২০১৮ গী এপ্রিলদা সেটলাইটনা লৌখিবা ফেসিলিটি অদুগী ফোটোদগী অহোংবা অমত্তা লৈতে। নোংথক্তগী এটেক চথখিবগী খুদম চাংদমশিং ওইবা য়াবা মওংদা বিল্ডিংশিংদুগী য়ুমথকশিংদা অহোবা অমত্তা উদে, মৈনা কাহৎপা, ৱালশিং হুমদোকখিবা, মাদ্রাসাদুগী অকোয়বদা অতেক-অকায় নঙলবা উশিং তাবনচিংবা অমত্তা ইমেজশিংদুদা উদে হায়রি।

# ব্রেক্সিটকী ৱারীদা অনৌবা খোঙথাং অমা লাক্লগনি : বৃটেনগী ফোরন সেক্রেটরি

লন্দন, মর্চ০৭(এজেন্সি):

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগা ব্রেক্সিটকী ৱারী শান্নবদা চয়োল অসিগী অরোইবা শরুক্তা অনৌবা খোঙথাং অমা লাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না বৃটিশ ফোরন সের্কেটরি জেরেমি হন্টনা ফোঙদোকখ্রে। প্রাইম মিনিষ্টর মেগী দিভোর্স দিল শেমদোকপগী মতাংদা ৱারী খুমাং চাওশিনবা ঙমদ্রে য়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুং নোংমখক লৈরগা হন্টনা কম্মেন্টশিং অসি হায়রকপনি।

হান্না লেপ্পখিবগী মতুং ইন্নদি বৃটেননা মার্চ ২৯ দা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্কদবনি। তৌইগুম্বসুং বৃটিশ লোমেকরশিংনা মেগী দিল অদু রিজেক্ট তৌখি অমসুং মেনা মহাক্কী দিভোর্স দিল অদু মার্চ ১২ দা পার্লিয়ামেন্টতা অনীরকশুবা ওইনা ভোট লৌনহন্দ্রিঙৈগী মমাঙদা লোনা য়াবা মওংদা শেমদোক শেমজিন খরা তৌনবা হোৎনরি।



হৌজিকমক অনৌবা খোঙথা অমা লাকপা নৎত্রবসু থা অমগী মমাঙদা লৈখিবা ফিভমদা চাংদম্নবদা নাকল অনীমক্তা এগ্রীমেন্ট অমা পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌহনগে হায়রবদি করি করি চঙগনি হায়বী মতাংদা মপুং ফানা ৱাখল তান্নবগী ফিভম অমা লৈরে হায়না হন্টনা পাউমীশিংদা হায়খি। গ্লাসগোদা স্পীচ অমা পীরবা মতুংদা ট্রম্পনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙখিবনি।

সোল্যুসন অমা ফংনবা হোৎনরদুনা হেজিক নাকল অনীমক্লা কুপ্না নৈনরি। নাকল অনীনা য়ানগদবা লম্বী অমা থীরকপসিদা চয়োলসিগী অরোইবা শক্তা অনৌবা অফবা খোঙথাং অমা শোয়দনা লাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না হন্টনা ফোঙদোকখি।

# অথিংবা থম্বা গ্রুপশিংনা চলাইবা স্কুলশিং পাকিস্টান গভর্নমেন্টনা কনট্রোল তৌশিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, মর্চ০৭(এজেন্সি):

পাকিস্টাননা ইস্লামিষ্ট মিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চথরকপা ফাবা পুনবগী কেম্পেন কনখৎলক্লি। অথিংবা থম্বা গ্রুপশিংগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা কেম্পেনদা হৌজিক ফাওবদা লাইনিং-লাইশেলগী স্কুল ১৮২ পায়শিল্লে অমসুং মীওই ১০০ হেন্না ফাজিল্লে হায়রি।

খোঙথাং অদু চহী কয়ামুক্কী মনুংদা অথিংবা থম্বা ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়োক্তা পাকিস্টাননা চঙশিল্লকপা খ্বাইদগী চাওবা খোঙজংনি হায়না লৌনরি। খোঙজং অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিলিটেন্ট এক্তিভিটিশিংগী হৌরকফমনি হায়রিবা ইস্লামিক ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসনদা টার্গেট তৌবগী থৌওং চথরি।

পাকিস্টানদা গ্লোবল পৱারশিংনা জাইশ-ঈ-মোহম্মদ য়াওনা ইন্দিয়াদা এটেক কয়া চথরিবা গ্রুপশিংগী মায়োক্তা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎনবা অকনবা প্রেসর পীরি। য়ামদ্রবদা ইন্দিয়াগী পেরামিলিটরি পুলিস ৪০ শিহনখিবা ফেব্রুৱারি ১৪ দা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুলৱামাদা চথখিবা এটেক জাইশ-ঈ-মোহম্মদনা ক্লেম তৌখি।



বোমিং এটেক অদুনা মরম ওইদুনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈনরবা য়ুমথংনবা রাইভেল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্তুনা লৈবাক অনীমক্কা অমনা অমগী মায়োক্তা নোংথক্কী বোমিং মিসনশিং পাঙথোক্কখি অমসুং থাঙৈশেংবা লান থোকহল্লকপা য়াবগী ফিভমদা এয়রফোর্স অনীগী মরক্তা দোগফাইট ফাওবা চথখি। পাকিস্টানি ওফিসলশিংনা হায়রি মদুদি মিলিটেন্টশিংবু ফাবা পুনবগী কেম্পেন অদু মতম শাংনা থৌরাং তৌরকখিবা দ্রাইভ অমগী শরুক্নি। ইন্দিয়ানা অশাওবা উৎলকপদগী লৌখৎলকপা খোঙথাং নত্তে। পনবা য়াই, পাকিস্টানগী লৈমায়দা ওপরেট তৌরিবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং ইস্লামাবাদনা লাকশিনদে হায়রদুনা ন্যু দিল্লিগী মায়কৈদগী পাকিস্টানবু তত্তুনা চৈ-থাংখি।

এন্টি ইন্দিয়া মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা মমাঙদা চথখিবা ফাবা পুনবগী কেম্পনশিং অদু মপুং ফানা পাঙথোকখিবা নত্তে হায়না লৌনৈ। অথিংবা থিংবা গ্রুপশিং কেম্পেনশিং অদুনা শোকহনবা ঙমখিদে অমসুং গ্রুপশিং অদু মখা তানা ওপরেট তৌখি।

ইন্টররিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙ-দোকখিবদা চয়োল অসিদা হৌখিবা ফাবা পুনবগী কেম্পেন অদুগী শরুক অমা ওইনা লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা মীওই ১২১ চেকশিন থৌরাং ওইনা ফাজিন্দুনা থল্লে।

সেমিনরি (মদ্রাসা) ১৮২ গী মেনেজমেন্ট অমসুং এদমিনি-ষ্ট্রেসনগী থবকশিংসু প্রোভিনসিএল গভর্নমেন্টশিংনা পায়শিনখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা লাইনিং লাইশোনগী স্কুলশিংগী মরমদা পল্লদুনা ফোঙদোকখি। অথিংবা থম্বা ওর্গনাইজেসনশিং অদুগী স্কুল নৎত্রগা কোলেজ ৩৪, দিসপেন্সরি ১৬৩, এম্বুলেন্স ১৮৪, হোস্পিটাল ৫ অমসুং ওফিস ৮ য়াওনা অতৈ ইন্সটিট্যুসনশিংসু তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংদগী পয়শিল্লে হায়না মিনিষ্ট্রিনা মখা তাখি।

# থাইলেন্দগী প্রিন্সেসপু প্রাইম মিনিষ্টরগী কেন্দিদেট ওইনা পুথোকখিবা ওপোজিন পার্টি অমা কোর্টনা থিংজিনখ্রে



বেঙ্কোক, মর্চ০৭(এজেন্সি):

থাইলেন্দগী লাক্লিবা মার্চ ২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা নিংথৌগী মচেবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবা কেন্দিদেট ওইনা পুথোক্লবা হোৎনখিবা ওপোজিসন পার্টি অমা মখা তানা লৈহন্দনবা লৈবাক অদুগী কোর্ট অমনা শগোলশেল নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

কুমজা ২০১৪ দা কু অমা পাঙথোক্তুনা মিলিটরিনা পৱার পায়খিবদগী পাঙথোকপা অহানবা ওইগদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনগী মতম চয়োল অনীদগী পঙহেন হেল্লক্তবসিদা থাই রক্সা পার্টিবু কোর্টনা থিংজিনখিবা অসিনা ওপোজিসন পার্টিশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীদুনা চহী মঙারোম লৈঙাক পায়রকখিবা মিলিটরি জন্টাগী মীচঙ চুংশিন্নবা পার্টিশিংবু মায়থিবা পীবদা মখোয়দা অৱাবা ওইরগনি হায়রি।

কোর্টনা পার্টি অসি মুখৎনবা ওর্দর তৌরে হায়না জজ তৱীকিয়েট মীনাকানিটসনা কন্দটিট্যুসনেল কোর্টকী রুলিং অদুদা হায়খি। রুলিং অদুনা পার্টি অদুগী এগজেক্যুটিভ বোর্দকী মেম্বরশিংবুসু চহী ১০ পোলিটিক্স য়াওবদা অথিংবা থমখ্রে।

থাই রক্সা চার্ট অসি হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর থকসিন শিনাৱাত্রাদা থাজবা থম্বা পার্টি কয়ামরুমগী মনুংদা অমনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা থকসিনগী সপোর্টরশিংনা জন্টাগী লুচিংবা প্রয়ুথ চান-ওচাবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবা কেন্দিদেট ওইনা পুথোক্লিবা পার্টি অমা য়াওনা ইষ্টাব্লিসমেন্টগী পার্টিশিংগা থেংনরি। ওপোজিসন পার্টিশিংনা হায়রি মদুদি প্রয়ুথনা কেন্দিদেট ওইবগা লোয়ননা জন্টাবু সিট ২৫০ লৈবা অপ্পর হাউস সিনেটকী মেম্বরশিং হাপ্পা য়াহল্লিবা ইলেক্তরেল লোশিংনা মিলিটরিগী ঈথিল শাংদোকহনগদবা ইলেক্টেদ গভর্নমেন্ট অমা লাকহনবা য়াই।

রুলিং অদুগী মাওইননা কোর্ট অদুগী মনুং অমসুং অকোইবদা পুলিস পর্সনেল ১০০০ হেন্না দিপ্লোই তৌখি অমসুং অকোইবা এরিয়াসু মী চঙমদা অথিংবা থমখি। মথ্বায় নুঙাইত্রবা পার্টিগী লুচিংবা প্রীচাপোল পোংদানিচনা কোর্টকী মপানদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা পার্টিনা রুলিং অদু য়ারে হায়না ফোঙদোকখি।

পার্টিগী সপোর্টরশিং কোর্টকী রুলিং অদুদা কপ্পখি অমসুং মখোয় অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টিশিংদা ভোট পীগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মচেগী নোমিনেসন অদু মরম চাদে অমসুং কন্সটিট্যুসনগী চৎন-পথাপকী মায়োক্তনি হায়না নিংথৌ মহা ভাজিরালোং কোমনা থৌরাং অদুবু কন্না য়ানিংদবা উৎখি অমসুং মীখলগী কেন্দিদেট অমা ওইনা ইলেক্সন কম্মিসননা নিংথৌগী মচেবু দিসক্বালিফাইদ তৌখি।

# অলজিরিয়াগী উকিলশিংসু লম্বীদা থোক্তুনা এন্টি-বৌতেফ্লিকা প্রোটেষ্টশিং শৌগৎখ্রে

লজিয়র্স, মর্চ০৭(এজেন্সি):

উকিল চা কয়ানা শগোলশেল নুমিত্তা অলজিয়র্সকী মরু ওইবা লম্বীশিংদা থোক্তুনা চহী ২০ লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবা প্রসিদেন্ট অব্দেলঅজিজ বৌতেফ্লিকাবু মফম থাদোক্নবা তকশিনখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১১ গী অরাব স্প্রিংগী মতুংদা চথরকখিবা খ্বাইদগী চাওবা প্রোটেষ্টশিংদা ইনোৎ হাপখ্রে।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিং দেমোন্সত্রেসনদু য়েংশিন্নবা দিপ্লোইদ তৌখি তৌইগুম্বসুং মমাঙদা তৌখিবগুম্না মখোয়না প্রো-টেষ্টশিংদুনা খুৎ থীংজিনখিদে।



মীয়াম্না রেজিম অদুবু চীংথুবা পাম্মী হায়না উকিলশিংদুনা লাউখি। অতৈ কয়ানসু রিপব্লিক পাম্মী কিংদম পামদে হায়না লাউখি। ফ্রান্সকী মায়োক্তা শোক্লখিবা কুমজা ১৯৫৪ - ১৯৬২ গী লানগী অহল ওইরবা ভেটরনশিংনা মতম শাংনা লৈঙাক্কী থবক থৌরমশিং পায়শিল্লকখিবদগী পেন্নরক্তুবা অলজিরিয়ন লিশিং কয়ানা লম্বীদা থোক্তুনা এপ্রিল ১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অদুগী মীখলদা মশা ঙমদদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্টদা মীরেপ ওইবা তোক্লবা তকশিনখি। মহাক্না কেন্দিদেট ওইবগী চে-চাংশিং লৈবাক অদুগী ইলেক্সন পেনেলদা পীশিনখ্রবনি।

মীয়ামগী ঈহৌ অদু বৌতেফ্লিকা অমসুং মিলিটরি, ইন্টলিজেন্স সার্ভিসেসকী মেম্বরশিং অমসুং অচৌবা বিজনেস ফিগরশিং য়াওবা মহাক্কী ইন্নর সার্কলদা অচৌবা শিংনবা ওইরি। মহাক কুমজা ২০১৩ দা ষ্ট্রোক তৌখিবদগী মীয়াম মাঙদা ৱা ঙাঙলত্ত্রি অমসুং হৌজিক জিনেভাগী হোস্পিটাল অমদা লৈরি।

লৈবাক অদুদা ঈথিল পীবা ঙম্বা অলজিরিয়ন ৱার ভেটরন্স এসোসিএসননসু য়ুমশকৈশা নুমিত্তা হৌজিক ফাওবা ঈংনা চিক্লা চথরক্লিবা প্রোটেষ্টশিংবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

শিন্মী লিশিং কয়া রিপ্রজেন্ট তৌরিবা মতিক ময়াই লৈরবা অলজিরিয়ন লেবর য়ুনিয়ন য়ু জি টি এগী ব্রাঞ্চ অনীনসু রি-ইলেক্সনগী থৌরাংদুগী মায়োক্তা লেপখ্রবনি।

# ইস্লামিক ষ্টেটকী কনক্লেভতগী মীচমশিং থোক্লকপা লেপত্রি

সিরিয়া, মর্চ০৭(এজেন্সি):

ইষ্টর্ন সিরিয়াদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী অরোইবা কনক্লেভতা হৌজিকসু মখা তানা মীওই লিশিং কয়া লৈরি হায়না য়ু এসনা শৌগৎপা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)না ফোঙদোকখ্রে। গ্রুপ অদুনা কন্ট্রোল তৌবা পীকখ্রবা লম মচেৎ অদুদগী মীওই কয়া থোক্লকপা উখি হায়রি।

লাঙ্গোই চল্লবা গ্রুপ অদুগী বগহৌজদা লৈবা কনক্লেভ অদুদা অরোইবা লান্দা চথদ্রিঙৈগী মমাঙদা মীচম পুম্নমক মফমদুগী হান্না পুথোকখিবা পাম্মী হায়না এস দি এফনা ফোঙদোকখি।

পীকখ্রবা মফম অদু মতম অমদা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী পাক চাওরবা লম কয়া পায়শিল্লম্বা ইস্লামিক ষ্টেটনা লমদম অদুদা খুদুম চল্লিবা অরোইবা মী তাবা লমনি।

মীচম লিশিং কয়া বগহৌজ মনুংদা লৈবগী পাউ ঐখোয়না তারি হায়না এস দি এফকী স্পোক্সমেন মুস্তাফা বালিনা অল-হাদাথ টেলিভিজনদা ফোঙদোকখি।

মফম অদুদগী মীচমশিং হোনে দাকখ্রবা মতুংদা অকনবা লান অমা শেক্করগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। বগহৌজদা ইকোন কোন্না লৈহৌগদৌরিবশিংদু সলাফি জিহাদি আইদিওলোজিনা চুরবশিংনি। মখোয়দা সরেন্দর হায়বসি ওপসন অমা নৎতে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বাগহৌজদা মায়থিবা নংবগী ফিভম লৈরবসু ইস্লামিক ষ্টেট অসি মখা তানা সিক্যুরিটি থ্রেট অমা ওইনা লৈখিগনি হায়না পাক শন্না থাজনরি। মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা মচি মচিদা লোত্তুনা মখোয় গুরিলা এটেকশিং চথবা ঙমখিগনি হায়রি।

হৌখিবা চয়োল খরসিদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংগী ইমুংশিং য়াওনা মীওই লিশিং কয়া বগহৌজদগী চেন্থোক্লরকখি। ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্ট চা কয়াসু সরেন্দর তৌরক্লে হায়না এস দি এফনা হায়রি।

এস দি এফনা হৌখিবা থাদা কনক্লেভ অদুদা অরোইবা লান হৌরগনি হায়না লাউথোকখিবা ওইরবসু মফমদুদগী মীচমশিং থোকহন্নবা হোৎনরদুনা মখোয়না এটেক কনশিনবা নৎত্রগা থুজিনবা ঙমখিদে।

# সিয়াইট মুস্লিমশিংগী পুনফমদা রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক তৌখ্রে

কাবুল, মর্চ ০৭(এজেন্সি): অফঘান কেপিটেল কাবুলদা শগোলশেল নুমিত্তা সিয়াইট মুস্লিম হজরা মাইনোরিটিগী মীওইশিং পুল্লিঙৈদা রোকেট কয়ামরুম কাপশিল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরে অমসুং অতৈ কয়া অমা শোক্লে হায়রি।

এটেক অদু খুদক্কী ওইনা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চহী কয়ামুক অসিদা তালিবান, অল কাইদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকুম্বা সুনি মুস্লিম মিলিটেন্টগ্রুপশিংনা হজরাশিংদা হঞ্জিন-হঞ্জিন এটেক তৌবা লৈখ্রে।

থৌরম পাঙথোকফম অদুদগী কেমেরা ক্রুগা লোয়ননা পাউ পীরকখিবা টোলো ন্যুজনা ফোঙদোকখিবদা হজরা লুচিংবা অমা লৈখিদবগী কুমওন থৌরমদুদা য়ামদ্রবদা পোকখায়বগী মখোল ১০ তাখি।

ঐখোয়গী মীতিনি অসিদা এটেক চথরক্লে। মায়কৈ খুদিংমক্তগী ঐখোয়দা রোকেট কাপশিল্লক্লে হায়না মশামক লোমেকর অমা ওইরিবা মরু ওইবা হজরা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবা মুহম্মদ মেহোকিকনা ষ্টেজদগী ফোঙদোকখি। চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর অব্দুলাহগুম্বা অৱাংবা থাক্কী গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং অমসুং জুলাই থাগী প্রসিদেন্সল মীখলদা মীরেপ ওইগদেরিবা কেন্দিদেট অহুম য়াওনা মীওই লিশিং কয়া ফঙ্কসন অদুনা তীনখি।

রোকেটশিং কাপশিল্লকপদুনা তিল্লিবা মীয়ামদু মায়কৈসলাইখঙদনা চেন্নখি। য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরে অমসুং ১৬ না শোক্লে হায়না পব্লিক হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাহিদুলাহ ময়ারনা ফোঙদোকখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন নসরত রাহিমিন্স ফোঙদোকখিবদা, এটেক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই অমা ফারে অমসুং অতৈ কয়ানা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কোইশিল্লে। এটেক অদুদা প্রসিদেন্সল কেন্দিদেট মোহম্মদ হনিফ অতমর অশোক-অপন নংহৌদ্রবসু মহাক্কী সিক্যুরিটি গার্দশিংগী মনুংদগী নিপাল শোকখি। মখোয়গী ফিভম নুংশা থিনিঙাই ওইদ্রে হয়না অতমারগী স্পোক্সমেন কাদর সাহনা ফোঙদোকখি। মীয়াম অদু তালিবাননা ফাজিন্দুনা থল্লবা মতুং কুমজা ১৯৯৫ দা লৈখিদবা হজরা লুচিংবা অব্দুল অলি মজারিগী দেথ এন্নিভর্সরিগা মরী লৈননা তিনখিবনি।